**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেনগী বাইক রেল্লি অমা ঙসি ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদগী লমথারগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাগী সাইকুল রিটচ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চম্ফাই চীংদা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখ্রে।

অমসুং

৩) কোলকাতাগী আর.জি.কার মেদিকেল কলেজ অমসুং হোস্পিতালদা থোকখিবা ডোক্তর তল্লিবা মহৈরোই অমগী রেপ অমসুং মর্দর কেস সি.বি.আইনা থিজিল্লগনি।

**------**

রেল্লি (এল)ঃ অজাদি কা অমৃট মহোৎসবকা মরী লৈননা পাঙথোকপা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপা বাইক রেল্লি অমা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদগী লমথারগনি।

মণিপুর সরকারনা শিনবা বাইক রেল্লি অসি ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগী লমথাগনি। রেল্লি অসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মোইরাংগী চীংঙৈ লম্পাক্তা লোইশিনগনি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী ইরাং থোকনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- থিবা হুন্বা অদুদা চুরাচান্দপুর জিলাগী সাইকুল রিটচ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চম্ফাই চীংদগী খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, পোম্পি মঙা, সিঙ্গল বেরেল তুয়েল্ব বোর লোং রেঞ্জ গন অমা, ঐচ.ই- থার্তিসিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অনি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৩৭, দিটোনেতর অনি অমসুং বুল্লেট প্রুফ জেকেট অমা য়াওরি।

নেসনেল হাইৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা ত্রক ১৬২ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা পুরকখ্রে।

আগষ্ট ১৩ (এল)ঃ ১৩৩ শুবা অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ থৌরম ঙরাং মণিপুর অমসুং অতৈ রাজ্যশিংগী মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাক শন্না পাঙথোকখি।

সিলচরগী ইটখোলাদা লৈবা বি.জে.পি ওফিসতসু অথৌবশিংগী নিংশিং থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদু স্বাহিত বির টিকেন্দ্রজিৎ নিংশিং লুপ অমদি কছার বি.জে.পি অনিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা সিলচর বিধান কেন্দ্রগী এম.এল.এ- দিবিয়ান চক্রবোর্তিনা হায়- সিলচরগী দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরিদা বির টিকেন্দ্রজিৎকী লাইফ সাইজ মুর্তি অমা শানবা দি.সি ওফিসতগী অয়াবা লৌরগনি। থৌরম অদুদা মীয়ামা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

পেত্রিওটিক রাইটসর ফোরম মণিপুর অমদি আর.এম. স্কুল ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল অনিনা শিন্দুনা অথৌবশিংগী নুমিৎ ঙরাং স্কুল অসিদা পাঙথোকখি।

কেভিকে (এল)ঃ মতম মতমগী ওইবা উহৈশিং লীদুনা থম্বগী মতাংদা চান্দেলগী কে.ভি.কে ওফিসতা নুমিৎ মঙানি চুপা চত্থরকপা ত্রেনিং কম

দেমোন্সত্রেসন প্রোগ্রাম নহাল লোইশিনখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি হন্দ্রেদ ডেজ এক্সন প্লানগী মখাদা কে.ভি.কে চান্দেলনা শিনবনি। ত্রেনিং প্রোগ্রম অসিদা মরুওইনা থৈবোং, কিহোম, সিতাফোন, চম্প্রানচিংবা হৈশিং লীদুনা থমবগী মতাংদা ত্রেনিং পীখি। থৌরম অদুদা ত্রেনি ২৫ অমদি কে.ভি.কেগী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি। তুংদা, ত্রেনিশিংদা সার্তিফিকেট অমদি অতৈ পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা থৌবাল জিলাগী দি.সি অমসুং এস.পিগা উন্নদুনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। কামজোং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা কাংপাৎ খুল, নম্বাসিম কানু, সোরদে, হেজোলগী খুঞ্জাশিংগসু অসাম রাইফলসকা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা উখ্রুল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী খুঞ্জাশিংগসু উন্নদুনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ৭৮ শুবা নীংতম নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শান্না পাঙথোক্লি। তেংনৌপল জিলাগী সিতা, খুদেংথাবী অমস্ং ক্বাথাদা অসাম রাইফলসনা মহৈরোইশিংদা নিংখা তম্বগী নুমিৎকী মরুওইবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। কেম্পেন অসিগা মরী লৈননা কৈথেলমানবী গারিসনদা বাইক রেল্লি অমসু পাঙথোকখি। উখ্রুল জিলাগী সংসক খুলদসু অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা রন ফোর য়ুনিতিগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট ৱানদা লৈবাক নমথখিবা অমসুং চেকখায়রকপদগী ময়ুম থাদোক্তুনা রিলিফ কেম্পশিং চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ শরতচন্দ্র অরোজ্গা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীখি। দিপ্যুতি কম্মিসনারনা লৈবাক নমথখিবা অমসুং চেকখায়রকপা মফমশিংদা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখি।

নোং (এল)ঃ  ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- মণিপুরগী চীংগী জিলাশিংদা ঙসি অমসুং হয়েং ময়াই ওইরপ্পা চাংদগী য়ামা কন্না নোং চুরবা য়াই।

সেন্তর অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কাংপোকপী, নোনে, সেনাপতি, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা নোং কন্না চুরবা য়াই। তম্পাক্কী জিলা খরা- ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমসুং জিরিবামনচিংবা জিলাশিংদনা হয়েং অমসুং হংচিৎ নোং কন্না চুরবা য়াই।

ফুটবোল (এল)ঃ  জ্নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ গী অন্ধ্র প্রদেশকী আনন্টপুরদা লৈবা আর.দি.টি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ-দিগী মেটচ অমদা মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। মণিপুরগী পাঞ্জল অনি অদু লৌরেম্বম মেনাকা অমসুং লোংজম নিরা চনুনা চনখিবনি।

মণিপুরগী মথংগী মেটচ গোৱাগা হয়েং শান্নরগনি।

কোলকাতা ঃ  কোলকাতাগী আর.জি.কার মেদিকেল কলেজ অমসুং হোস্পিতালদা থোকখিবা ডোক্তর তল্লিবা মহৈরোই অমগী রেপ অমসুং মর্দর কেস সি.বি.আইনা থিজিনহন্নবা কলকাতা হাই কোর্টনা ওর্দর থোকখ্রে। কেস অসিগী মরী লৈনবা চে চাং পুমমক সি.বি.আইদা শিন্নখিনবা পুলিসতা কোর্টনা খঙহনখ্রে। চীফ জষ্টিসকী টি.এস. সিভাগ নানাম অমসুং জষ্টিস হিরনমোই ভত্তচারিয়াগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা ওর্দর অসি থোকখিবনি। মমাংদা কোর্ট অসিনা রাজ্য সরকারদা কেস অসিগী মতাংদা থিজিল্লিবা অসিগী মরী লৈনবা চে চাং পীখৎলকবা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ফেদরেসন ওফ রেসিদেন্ট ডোক্তর এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংগা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দা ৱারী ঙরাং নিউ দিল্লিদা ৱারী শান্নবদা য়ান্নবা পুরকপদগী মখোয়গী খোঙজং হন্দোকবা

ৱারেপ লৌখিবনি। মীশি অদুগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা ডোক্তরশিংনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী য়ানিংদবা ফোংদোক্ত্‌না খোঙজং চংশিল্লকখিবনি।

থৌদোক অসিবু ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন সাউথ ইষ্ট মণিপুরনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরকপগা লোয়ননা মরাল লৈবা মীশক আইনগী ওইবা চৈরাক পীবীনবসু তকশিল্লক্লি।

মহারাষ্ট্র ঃ মহারাষ্ট্রগী মুখ্য মন্ত্রি একনাথ সিন্দেনা মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোকবগা মরী লৈননা থবক পায়খৎনবগীদমক লুপা কোতি লিশিং ২,৭৬৬ কী শেনফম কাইথোকপদা অয়াবা পীখ্রে। পায়খৎকদবা থবক লিশিং ১,৯৫০ অসিগী মনুংদা চীং নীংখায়বা, বজ্র তাবা, ঈচাউ থোকপচিংবদগী ঙাকথোকবগী পাম্বৈশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবা, মসিদা নত্তনা উমংশিং কনদুনা থম্বা, লৈনুংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা ঈকং থোকপদগী কন্নবা পাম্বৈশিং, পুখ্রি মচাশিং শেমজিন শাজিনবনচিংবা থবক কয়া য়াওরি।

মহারাষ্ট্র ষ্টেট দিজাষ্টার মেনেজমেন্ট ওথোরিতিনা শিনবা মীফম অমদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- থবকশিং অসি মপুংফানা পায়খৎতুনা মতম চানা লোইশিন্নবগী মতাংদা মরী লৈনবা বিভাগশিংনা কুপা য়েংশিনগনি। মহাকা হায়- মতমগা চুনরবা খুৎশু খুৎলায় শিজিন্নদুনা খুদোংথিবশিং অসিদগী মীওইবগী পুন্সিবু কনবা হায়বসি য়ামা তঙাইফদে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাকবা লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

ইং তপ্পা, পুনশিনবা অমদি খুমাং চাওশিনবা পামজবা মীরোল শেমগৎপা তঙাইফদে হায়না অথৌবশিংগী নিংশিং থৌরমদা গভর্নরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ষ্ট্রগল মায় পাক্নে হায়রবদি য়েকবা কনানো, মরুপনা কনানো মশক খঙবা তাই, ইমোসন্না মাং থারগা থবক তৌরবদি অশোইবা কয়া লাক্কনি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমনা মণিপুর নিউজগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- ইমা লৈবাক্কী শক্তম কন্ননবা অৱাবা কয়া খাঙদুনা থেংনবা তাই হায়না চীফ মিনিষ্টর বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎকা মরী লৈনবা পাউশিং- নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, মোর্নিং বেল, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং পোকফমনচিংবা পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

মণিপুরগী ইন্দো-ম্যান্মার ফিন্সিং খাবগী থবক থুজিন্নবা এম.ঐচ.এনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুর নিউজদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গভর্নরনা আই.আই.আই.টিগী দিরেক্তর লোয়ননা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী লুচিংবীশিংগা উন্নখিবগা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- সোলিদ ৱেষ্ট প্লান্ট থবক লেপখিবা নুমিৎ ৭ নি শুখ্রে, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মফম কয়ামরুম ফত্ত-হাউদিতনা থল্লে হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- জেনিমসতা নেসনেল লাইব্রেরি ডেগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ এনকর কলমদা ফোংলি।

কেন্দ্র সরকারনা মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী সরকারশিংদা ইন্দো-ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংগী শন্বা খাবগী শেম শারিবশিং য়েংশিন্নবা খঙহনখিবগী পাউ গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সেনাপতি পুলিসনা শিন্দুনা হ্র ঘর তিরঙ্গ বাইক রেল্লি পাঙথোকখিবগী পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং ইজ্কেসন বিভাগনা শিন্দুনা নোনে বজারদা হ্র ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন অমসুং রেল্লি পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------